# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ড্রগ লল্লোনবা মীওই অনি য়াওনা আইন্না থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফাগৎপা ঙমলে।

২) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়না মেট বিভাগ ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি।

অমসুং

৩) কেন্দ্র সরকারনা রাজস্থান অমসুং উরিষাদা গ্রিন ফিল্ড এয়ারপোর্ট অমদি রিং রোড শেমগৎনবা অয়াবা পীখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ড্রগ লল্লোনবা মীওই অনি য়াওনা আইন্না থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফাগৎপা ঙমলে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোলরুমগী পাউনা হায়- ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী পাইওনর কেম্পকী ভিসিলিতি এরিয়াদগী মণিপুর পুলিসনা ড্রগ স্মগলর অনি ফারে। মখোয়দগী কিলোগ্রাম অমা গ্রাম ৩০০ রোম লুম্বা ব্রাউনসুগর য়াওনা সোপ কেস ১১১, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা অমসুং চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ অঙোম লৈকাই এরিয়াদগী কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী সেল্ফ ষ্টাইল কোর্পোরেল অমা ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অসি তম্পাক্কী মফমশিংদা মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি। মঙোনদগী মোবাইল ফোন অমা অমসুং আধার কার্দ ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা খুরাই হৈক্রুমখোঙ মসজিদ মনিং এরিয়াদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অসি ক্রিমিনেল এক্তিভিতি য়াওনা মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবনি।

অমরোমদা, রাজ্য পুলিসনা আইন কায়না গাড়ি থৌবা মীওইশিং ফাগৎতুনা ফাইন থিহনবগী থবক মখা তানা চত্থরি। ঙরাং মণিপুর পুলিসনা নিয়ম কায়না গাড়ি থৌবা মীওই ৬৭ ফাগৎতুনা চলান ককপগা লোয়ননা মোটোর ভেহিকল এক্তকী মতুংইন্না শেল ওইনা লুপা লিশিং ৯৫ খোমগৎপা ঙমখি।

থা অসিগী ১৮ দনা গাড়ি ৬ তগী টিন্তেদ ফিলমশিং লৌথোকখি।

লম্বী (এল)ঃ রাজ্য অসিগী নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুশিন্নবগী বাই পাস রোড অমা ওইরিবা নাগালেন্দগী চকাভামা-কিদিমা ফাওদুনা মণিপুরগী মাও তারকপা লম্বী অসি ফিভম ফত্তনা লৈরম্বদগী শেমজিনদুনা ঙরাংদগী পোৎ চৈ পুবা গাড়ি য়াওনা অতৈ গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা হৌরে।

ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর ড্রাইভরস এসোসিয়েসনগী ওফিসতা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা এসোসিয়েসন অসিগী জেনেরেল সেক্রেতরি ক্ষেত্রিময়ুম শঞ্জয় হায়- নাগালেন্দগী চকাভামা-কিদিমা ফাওদুনা মাও তারকপা লম্বী অসি কা হেন্না ফিভম শোকচিনখিবনা মরম ওইদুনা পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিং লানবা য়াদবদগী মণিপুর ড্রাইভরস এসোসিয়েসন অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা লুপশিংনা থা অসিগী ১৪ দগী শেমজিনদুনা লাকখিবনি। ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিদা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুশিল্লকবা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবগী থবক লেপ্পুনা লাকখি। লম্বী অসি ঙরাং ফাওবদা

গাড়িশিং অশোই অঙাম য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াবা মওংদা শেমজিল্লবা মতুং অমুক হন্না লম্বী অসিদা মখা তানা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা হৌখিবনি।

কোবিদ(এল) ঃ মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা কেস অমত্তা থেংনখিদে। হৌজিক মনিপুরদা কোবিদকী এক্তিব কেস অমত্তা লৈত্রে।

ওরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী পুন্না সেম্পল মরি টেষ্ট তৌখি। অদুমওইনমক, পোজিটিব ওইবা কেস য়াওখিদে। জ্ন থাদগী হৌনা রাজ্য অসিদা পুন্না সেম্পল লিশিং ১,৬৩৪ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৬১ পোজিটিব ওইবা থেংনখিবনি। হোম আইসোলেসনদা লৈরম্বা মীওই অমা ঙসি নাবা ফদুনা দিচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা নাবা ফবা অপুনবা মীশিং ৩৬১ শুরে।

ডে (এল) ঃ মনিপুরদা ঙসি ৩৪ শুবা মনিপুরি লেঙ্গোইজ নুমিৎ পাঙথোক্কনি। মপুং ওইবা থৌরম মনিপুরি লেঙ্গোইজ ডে ষ্টেট লেবেল সেলেব্রেসন কমিতিনা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গোইজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন মনিপুরনা পুন্না শিনদুনা পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি।

থৌরমদুদা হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি-ডা: আর.কে. রঞ্জন সিংহ, প্রোফেসার-মৈজিনলুং কামশোন, হান্নগী লোক সভা সদস্য-ডা: টি.ঐচ. মৈন্য অমসুং হান্নগী মন্ত্রি-ডা: এম. নরা সিংহ শরুক য়াগনি।

নোং (এল) ঃ ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট য়াওনা রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা ঙসি অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। হয়েং ফাওবদা উখ্রুল অমসুং কামজোং

জিলা নত্তনা অতৈ জিলাশিংদা মখা তানা নোং চুখিগনি। হায়রিবা নোংজ্গী চাং অসি মখা তানা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা লৈখিগনি হায়না পাউ অদুনা মখা তারি।

দুরানঃ ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান্দ কপকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইতেদেনা শিল্লোং লাজোংবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে। ঙরাং শিল্লোংগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদেনা শিল্লোং লাজোং এফ.সি পাঞ্জল ১-০ দা থোইখিবনি।

অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ঙসি কোলকাতাগী ভিবেকানন্দ য়ুবা ভারতি ক্রিরঙ্গন ষ্টেদিয়মদা দাইমন্দ হারবর এফ.সিগা ইমামি ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সিগা শান্নগনি। মেটচ নুমিৎ পুং তরেৎ তাবা মতমদা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ২৩ দা শান্নগনি।

কেবিনেট ঃ কেন্দ্র সরকারনা রাজস্থানগী কোতা বুন্দিদা গ্রিন ফিল্ড এয়ারপোর্ট শেমগৎ শাগৎনবগীদমক লুপা কোতি লিশিং ১,৫০৭ কী শেনফম অয়াবা পীখ্রে। কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দল মীফমনা লৌখিবা ৱারেপ অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদ কাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম অদুনা উরিষাদা লুপা কোতি লিশিং ৮,৩০৭ চংগদবা লেন ৬ লৈবা রিং রোড শেন্নগী অয়াবসু পীখি।

ইলেক্সনঃ হৌখিবা থা তরুক অসিদা ইলেক্সন কম্মিসননা লৈবাক অসিগী ইলেক্তোরেল প্রোসেস হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি অচুম্বা লম্বীদা পুরকবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

চেরোল অমদা ইলেক্সন কম্মিসননা হায়-থৌরাং অসি ষ্টেকহোল্ডরশিংগা খুৎশমদুনা ইলেক্তোরেল সিষ্টেমশিং চুমথোকবা হোৎনবা, টেকোলোজি শিজিন্নবা, ভোট থাদবদা লায়হনবা, ইলেক্তোরেল রোল চুম্বা মীওই খক

য়াওহন্নবগীদমক মতম চংনা থবক কয়ামরুম পায়খৎলি। কম্মিসননা হায়-মথৌ তৌদ্রবা রেজিস্তার তৌরবা শকখঙদ্রিবা রাজনিতি দলশিং মমিং ককথৎপা, মীখলগী মতমদা পোল্লিং ষ্টেসনশিং চাদা ১০০ ৱেব কাষ্টিং তৌবা, বিহারদা অখন্নবা ইনটেন্সিব রিভিজন পাঙথোকপা, রাজনিতি দলশিংনা খল্লকপা বুথ লেবেল এজেন্টশিং ত্রেন্নিং পীবা, বুথ লেবেল ওফিসারশিং অমসুং সুপরভাইজরশিং ত্রেন্নিং পীবগী থবক চখুরি।

চাইনাঃ চাইনাগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ৱাং-য়িনা ঙরাং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অনিগী ঙমখৈ পরিংদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ৱাফমশিং পুখৎখি।

মমাং চহিদা কজাংদা রাস্ত্রপতি-সি.জিন পিংগা উন্নখ্রবা মতুং লৈবাক অনিগী মরক্তা হিরম কয়াদা খুমাং য়াংনা চংশিনবা ঙমলে হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। রাস্ত্রপতি-সি.জিন পিংনা প্রধান মন্ত্রিবু এস.সি.ও. মীফমদা শরুক য়ানবা বার্ত্তন তৌরখিবা থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা মীফম অদুদা শোয়দনমক্কী শরুক য়াগনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

গর্ভনর আজয় কুমার ভল্লানা ঙরাং চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা মফম অদুগী ফিভমশিং য়েংশিনখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

গর্ভনরনা চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা মফম অদুগী ফিভমশিং য়েংশিনখ্রে, গর্ভনরগা কুকি জো কাউন্সিলগসু দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসারগী ওফিসতা মিতিং পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ, ওদিও টেপ লিক কেস কোর্টনা সি.এফ.এস.এলদা অকনবা ৱাফম ফোংদোকখ্রে হায়বসিনা পোকফম পাউচেগী

অহানবা অমসু অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গর্ভনরগী চুরাচান্দপুর খোঙচৎ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পিপলস ক্রোনিকল, তমেংলোং টাইমস, গানফিউ মেল, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

রিমসতা খোঙগী শরু তেকপদগী ওপরেসন তৌনবা পুশিনখিবা নুপী অমা লৈখিদ্রে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সরজরি তৌদুনা হোংদোক্লবা জেন্দর অমদি অনৌবা মিংদা ইজ্কেসন সার্তিফিকেট পীনবা কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমসুং পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মোর্নিং বেল পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অসাম পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না মণিপুরগী ক্বেসন দ্রোপ তৌরে হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক পাউচেগী এনকর কলমদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হাই কোর্টতা সিত্তিং অমসুং ফোর্মর এপ.পি-এম.এল.এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা কেসশিংগী পি.আই.এলগী কেসশিংগী ৱায়েল চথখ্রে। মণিপুরগী এম.এল.এ ৬ অমসুং এক্স-এম.এল.এ মঙা তোঙান তোঙানবা কেসশিং মায়োকরি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা জিলা অদুগী নিংথৌখোংদা লৈবা সি.ঐচ.সিগী ফিভম য়েংশিনখিবগী পাউ মণিপুর মেলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতি পুলিসনা নেসনেল হাইৱে-টুদা রিমোট মোনিটরিং য়ুনিত হৌদোকখিবগী পাউ অমসু হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------